# ইম্ফাল জোন হিরো জুনিয়র লীগ
## ট্রাউ মায় পাকখ্রে,বীর অমদি নেরোকা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৩ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক তর্ফ গ্রাউন্দ্রা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ইম্ফাল জোন হিরো জুনিয়র লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ট্রাউ মায় পাকখ্রে,অতোপ্পা মেটচ অমদনা বীরচন্দ্রা মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব অমদি নেরোকা দ্রো চৎখ্রে।



লীগ অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ট্রাউনা এফ সি ইম্ফাল সিটিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এফ সি ইম্ফাল সিটিনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা ট্রাউনা গোল ৩ চন্দুনা মেটচ অসি ২–৩ দা মায় পাক্তুনা এফ সি ইম্ফাল সিটিদগী পোইন্ট ৩ মুনখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী এফ সি ইম্ফাল সিটিনা অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ২৬ চৎপদা টিম অসিগী ফোরৱাদ জর্সি নম্বর ২১ অহৈবম পারিতোননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনট শিংদসু এফ সি ইম্ফাল সিটিনা বোল হেনা পায়রগা লাকশিন্দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরকপগী মহৈ ফংদুনা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা জর্সি নম্বর ৬ শলাম ভিম মৈতৈনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোখরিবা ট্রাউনা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা এফ সি ইম্ফাল সিটিবু অমুক লাকশিনলখি।

ট্রাউগী অহানবা গোল অদু সবষ্টিটিট্যুদগী চঙলকখিবা জর্সি নম্বর ৭ লাইশ্রম ইবুংঙোনা মিনট ৬৩ চৎপদা চন্দুনা ২–১ দা লৈখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং মিনট ৯ কান্নরগা মিনট ৭২ চৎপদা ট্রাউগী জর্সি নম্বর ৮ য়ুমনাম মোনিসনা অনীশুবা গোল চনলাগা ২–২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেনদা অমুক য়াওশিনলকখি।

ট্রাউনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৩৮ মহেস সিংহ য়ুম্নামনা মেটচকী মিনট ৮৯ চপিদা গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী নহাকপম তোম্পোকচাউ মৈতৈ,য়ুম্নাম মোনিস সিংহ,য়ুম্নাম জিংলোদর,ফিজম মহেস অমদি এফ সি ইম্ফিাল সিটিগী শেরাম প্রাদিপ কুমার মৈতৈ,অহৈবম পারিতোন মৈতৈদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী দমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি জয়সিংহ মোনশাং,রোবিন্সন শাগোলশেম,অশান্দা লাইশ্রম অমদি মথোটনি শিমরেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ১,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা বিরচন্দ্র মিমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব অমদি নেরোকা গোল ১–১ দা দ্রো চৎক্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

নেরোকাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪৪ দা জর্সি নম্বর ৫ য়ুমখাইবম অমিট সিংহনা পেনালটিদা চনখি।

বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লবগী গোল অদুনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা টিম অসিগী কেপ্টেন খারিবম প্রাভন্দা মৈতৈনা চন্দুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কনখি।

মেটচ অসিদা বিরচন্দ্রগী খুনদোংবম লোয়ালাকপা অমদি নেরোকাগী য়ুমখাইবম অমিটদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি অরুনকুমার থৌদাম,সনাতোম্বা লোংজম মৈতৈ,য়ুলুং লুংসু অমদি প্রেমজিৎ তখেলম্বমনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ১,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক পুং ১০ তবদা এফ সি ইম্ফাল সিটি অমদি বিরচন্দ্রগা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ তবদানা ট্রাউ অমদি নেরোকাগা শান্নগনি।

# এম সি এ রাজনিংথৌ য়ু–১৬ ট্রোফি ২০১৯
## পি টি সি সি অমদি য়ু সি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২২ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাই সি দব্লিউ ও গ্রাউন্দ শগোলবন্দ হৈনৌপোক অমদি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চথগদবা অহানবা এম সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি টি সি সি পার্টসোই অমদি য়ু সি সি উরিপোক মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৈনৌপোকপা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা পি টি সি সি পার্টসোইনা ট্রাউ ক্লকৈথেলবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা ওভর ১৪.৫ দা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ৫২ খক লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা পি টি সি সি পার্টসোইনা ওভর ৫ দা ৱিকেট অমত্তা অউট ওইদনা রন ৫৬ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ১০ দা মায় পাকখি।

ট্রাউগী ক্লকৈথেলগী বেট্টিংদা সোমোকন্তনা বোল ১৯ দা রন ১৯,গোল্ডবাসনা রন ৭ অমদি রোসননা রন ৫ লৌখি।

পি টি সি সি পার্টসোইগী বোল্লিংদা দোমিনিটনা ওভর ৪.৫ দা রন ১৩ পীরগা ৱিকেট ৪,নিখিলনা ওভর ১ দা রন ৩ পীরগা ৱিকেট ২,ব্রাইননা ওভর ৩ দা রন ৪ পীরগা ৱিকেট ২,অরুনকুমার অমদি বোবোসননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

পি টি সি সি পার্টসোইগী বেট্টিংদা চেম্পিয়ননা বোল ১৮ দা রন ২৪ অমদি দোমিনিটনা বোল ১২ দা রন ২১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা পি টি সি সি পার্টসোইগী ৱিকেট ৪ অমদি রন ২১ লৌখিবা দোমিনিটনা তাখি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচতনা য়ু সি সি উরিপোকনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু রন ৭৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ু সি সি উরিপোকনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৬ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথ্বালনা ওভর ১৬.৫ দা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ৮২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৭৪ দা মায়থিবা নংখি।

য়ু সি সি উরিপোককী বেট্টিংদা অদীটিয়া প্রাসদনা বোল ৭১ দা রন ৭৯,রাজগীরিনা রন ১৫ ,দিনারাজ শ্যাম শর্ম্মানা রন ১৩,রোসননা রন ১২ অমদি বিকিকুমারনা রন ১০ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা শেরাম রোবিন্সননা ৱিকেট ৪,নেপ্রম হেরোজিৎনা ৱিকেট ২,হৈশনাম মনিকন্তা অমদি সোরোখাসবম অলবটনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা নেপ্রম রিচাটনা রন ২৭ লৌখি।

য়ু সি সি উরিপোককী বোল্লিংদা অদীটিয়া রবিদাসনা ৱিকেট ৫, অদীটিয়া প্রাসাদনা ৱিকেট ৪ অমদি রোসনকুমারনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ু সি সি উরিপোককী রন ৭৯ অমদি ৱিকেট ৪ লৌখিবা অদীটিয়া প্রসাদনা তাখি।

হয়েং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা ক্রাউ খম্নাং লৈরক অমদি সাইক্লোন থাংঔমবন্দগা শান্নগনি।

হৈনৌপোকপা গ্রাউন্দা শান্নগদবা অয়ুক্কী মেটচতনা মোদেল ক্লব চিঙা মখা অমদি পি টি সি সি পার্টসোইগা শান্নগনি। গ্রাউন্দ অসিদা নুংথিলগী মেটচতনা টি সি এম দি সি থোংজু অমদি ৱাই য়ু সি ক্লকৈথেলগা শান্নগনি।

# মণিপুরনা গোৱাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখদা মহারষ্ট্রাগী কোলহাপুরদা থা অসিগী ২০দগী টিম ২৭ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ১ ফাওবা পাঙথোকদৌরিবা হিরো জুনিয়র গলস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মেটচতা মণিপুরনা গৌৱবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা মেটচ অনী শানখিবদা পোইন্ট ৬ ফংখ্রে।

পোলো ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ১৪ শুবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল অনী চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এস লীন্দা কোমনা মিনট ২১ অমদি মিনট ৩৯ দা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল অনী অদু মেটচকী মিনট ৪৭ দা জর্সি নম্বর ৯ এস লীন্দা কোমনা অমা অমদি জর্সি নম্বর ৭ নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা মিনট ৫০ দা চনখি

মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৪ দা ট্রিপুরাগা শান্নগনি। মণিপুরগী টিম অসি ঙাংবম রুহিকন্তা সিংহনা কোচ অমদি এম খোমদোম্বী দেবীনা মেনেজর ওইদুনা টিম অসি লুচিংল্লি।

# তরামথোইশুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯



ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এন ঐচ পি সি প্রাইভেট লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা মোইরাং মল্টিপ্রপস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দা চথরিবা ১১ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা নেরোকা এফ সিনা নিসাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা নেরোকাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ এস সুভাসনা মিনট ৩ অমদি ২৭ দা গোল অনী অদুগা জর্সি নম্বর ১৯ ৱাই দিন্নিচন্দ্রনা মিনট ২৮ দা চনখি।

মায়থিরবা নিসাগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১২ দোয়ানা মিনট ১৬ অমদি জর্সি নম্বর ১৯ রোজরনা মিনট ৩৮ দা চনখি।

টুর্নামেন্টগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৪ দা নেরোকা অমদি কে পি এস সিগা শান্নগনি।

# খোইরোম এফ সি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২২ঃ
য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোইরোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজৈবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী চথরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা খোইরোম এফ সি মায় পাক্তুনা ফাইনেলগীদমক লম্বা ঙাইখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা খোইরোম এফ সিনা থোইবা এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা খোইরোম এফ সিনা থোইবা এফ সিবু লাকশিন্দুনা শান্নরগা প্রেসর পীশিনখি। মেটচকী হৌরকপা মিনট ৮ চৎপদা খোইরোম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ সুধরনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৪৪ চৎপদা সুধরনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

থোইবা এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মিনট ৪৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ গোপীনা চনখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা চরাংপাৎ এফ সি অমদি ইন্দিভর এফ সি ৱাংজিংগা শান্নরগনি।

# অহুমশুবা সঙাই ভেটরান ফুটবোল
## ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২২ঃ
য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থা ৩১ দগী চথরকপা ৩ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটারন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০তবদা এস ঐচ দি ভি এফ এ সদর হিলস অমদি দি দি ভি এফ এ নগালেন্দনা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তবদানা ফ্লাম ববুপরা অমদি এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা টি আর ভি এস এ মালোমনা সি ভি এফ এ চজিংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৬ দা টি আর ভি এস এ মালোমগী জর্সি নম্বর ১৫ কে বোবানা মেটচগী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

সি ভি এফ এ চজিংগী জর্সি নম্বর ৯ পি মুহিন্দ্রোনা মিনট ১৯ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২৭ চৎপদা সি ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ তোম্বনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ১–২ দা মাঙজিল থাখ্রবসু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাইশিংদা টি আর ভি এস এ মালোমনা বোল হেনা পায়রগা লাকশিনলক্তুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরকখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী মিনট ৩৭ চৎপদা মলোমগী জর্সি নম্বর ৯ এন শরতনা গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা মান্না লৈখি।

মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৪০ দা মলোমগী জর্সি নম্বর ২০ রমান লাইশ্রমনা অহুমশুবা গোল অদুগা মিনট ৪৪ দা শর্‌না টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৪–২ দা মায় পাকখি।

৩১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ভসাই থাংমৈবন্দনা ভি এস এ শোরাবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

ভসাই থাংমৈবন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ এন উট্টমনা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ৮ এম বিমোলচাননা থংন্নবা মিনট ২০ দা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা টিম অসিগী অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এম ইমোচানা মিনট ৩৫ অমদি এন উট্টমনা মিনট ৫৮ দা চনখি।

মায়থিরবা শোরাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ এম দি ইথেমচানা মেটচকী অহাপ্পা মিনট ১ দা চনখি।

৩২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা এফ সি ইম্ফালনা ভি এস সি চুড় চান্দপুরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

এফ সি ইম্ফালগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ এন ইতোচনা মিনট ৪১ দা চনখি।

# অহানবা রাজমনি নীংশিং হোক্কি টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ
মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখদা ৱাই সি সি আই সি কোম্বা অহনলুপনা শীন্দুনা ইভূথৌ মরজিং গ্রাউন্দ কোম্বা অহনলুপ্তা থা আসিগী ২১ দগী নুপামচাগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ অমদি নুপপীমচাগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা য়ুম্নাম রাজমনি নিংশিং অন্দর ১৪ বোইজ অমদি অন্দর ১৬ গার্লস ৭ এ সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা কে ঐচ এস সি (বি) অমদি হোক্কি য়ুনিয়ন মায় পাকখ্রে।

নুপীমচাগী মেটচতনা ৱাই সি আই সি (এ) মায় পাকখ্রে।

নুপামচাগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা কে ঐচ এস সি (বি) খোংমননা মৈরা বাশিখোংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে ঐচ এস সি(বি) গী গোলশিং অদু নোংপোকঙানবনা মিনট ৩,১৮ অমদি ২১ দা গোল অহুম অদুগা অতোপ্পা গোল অমাদুনা য়োহেনবনা মিনট ৪৮ দা চনখি।

মায়থিরবা মৈরাগী গোল ২ দুনা কে আরিয়াননা চনখি।

ঙসি ২শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা নুপামচাগী ৩শুবা মেটচতা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিক য়েংবম লৈকাইনা শীয়ো শিংজমৈ ক্ষেট্রি লৈকাইবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা হোক্কি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু কে সুরজনা মিনট ১ অমদি ৪৭ দা গোল ২ অমসুং এস মাইকেনলিনা মিনট ৪৫দা চনখি।

নুপীমচাগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা ৱাই সি আই সি (এ) কোম্বা অহনলুপনা মৈরা বশিখোংবু গোল ১১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই সি সি আই সি (এ)গী গোলশিং অদু এস বেবিরানিনা মিনট ১ অমদি ২৬ দা গোল ২,কে ইলীনানা মিনট ১৫,২৯ অমদি ৪১ দা গোল ৩,এম টিনানা মিনট ১২ দা গোল ১,আই কুন্দালিনা মিনট ২৪ দা গোল ১,এল নাটরলিনা মিনট ৪০ অমদি ৪৮ দা গোল ২ অদুগা এম প্রিয়ানা মিনট ৪৬ অমদি ৪৯ দা গোল ২ চন্দুনা পুন্না গোল ১১ চনখি।

# মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ
ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারষ্ট্রাগী কোপরগাওন শীর্দিদা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা চথগদৌরিবা ২৭ শুবা মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসদা মণিপুরগী নুপামচাগী টিম মায় পাকখ্রে। অদুগা নুপীমচাগী টিমনা মায়থিবা নংখ্রে।

নুপামচা গ্রুপক–এগী ঙসি মণিপুর অমদি গুজরাটনা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা গুজরাটপু সেট ৩–২ (২৫–২১,২৫–২৬,২৫–১৫,২১–২৫,১৮–১৬ ) দা মায়থিবা পীখি।

নুপীমচা গ্রুপ–বিগী শান্ননখিবা মেটচতনা রজষ্টাননা মণিপুরবু সেট ৩–০ (২৫,১৮,২৫–১৫,২৫–১৬) দা মায়থিবা পীখি।

# ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯
## ই এস য়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২২ঃ
ইষ্ট্রন লাইওন ক্লব (ই এল সি) নোংগদা অমদি ইষ্ট্রন য়ুনীক ক্লব (ই য়ু সি) কমেং অনীনা শীন্দুনা ই এল সি অমদি ই য়ু সিগী গ্রাউন্দা টিম ১৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৫ দগী চথরকপা অহানবা ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ই এস য়ু সি তেলৌনা এন কে এফ সি নোংগদা (বি) বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এস য়ু সি তেলৌগী গোলশিং অদু এন জি জিতেননা গোল অনী,টি ঐচ রমান্দা অমদি কে ইবোতোম্বনা গোল অমমম চনখি। এন কে এফ সিগী গোল অদুনা দব্লিউ বিকেননা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা ৭ ষ্টার নোংদম অমদি ৱাই এস দব্লিউ সি শবুংখোক গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে। নোংদমগী গোল অদু পিটরনা গোল২ রোহিৎনা গোল ১ চনখি। ৱাই এস দব্লিউ সিগী গোল অদুনা গোলমৈনা গোল ২ অদুগা মনাওনা গোল ১ চনখি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
SUMMER VACATION CAPSULE COURSE
Navodaya , K.V. & Sainik
XI Sc. & XII Sc.
CBSE & COHSEM

| Form Issue | Class Start | Class Timing |
|---|---|---|
| 20/04/2019 | 02/05/2019 | 11am- 3pm |

XII Sc. HSE-2019
COMPARTMENTAL CAPSULE COURSE
Phy/ Chem/ Bio/ Maths

| Form Issue | Class Start | Class Timing |
|---|---|---|
| 20/04/2019 | 2nd Week of May | 11am- 3pm |

Hostel Fee- Rs 4000/- only including Admission fee & Mess fee
8258013846
Both Boys & Girls
Under the guidance of Experience Teachers
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com